# কংলা লাইফমদা নোংপোক থোঙ হাংবা
## (মতমগী খোংলৈ তাকপা)

**অনিলকুমার**

কংলাগী নোংপোক থোঙদগী মমি তমদুনা চঙলকখিবা মতম অদুগী শাহিং চাবা হিংচাবা, মতম অদুগী ইনিংথৌ মৈতৈ নিংথৌ মোংয়াম্বা সনা হাকথক্তা পোইরৈ মৈতৈ লৈবাক্তা খোঙদোইরকখি। মৈনা-ব্রাই-তাংনা শম, তুবৎ-নাতৈ কাং।

মদু নোংদুদা লৈবাক্কী অঙম অথৌ ফম্নাইবশিংনা তারবদা পূক্লিংদা চিংনবতা নৎতবা অব্রাবা কয়া ফাওখি। হিংচাবা অদুনা লোইজিং লৌয়া, চীংখোং-চীংয়াদা শিল্লম-শিন্থা পাংলিবা অমদি খুন্দারিবা য়ূমথোং খুদিং চংদুনা মীওইবতা নত্তনা শা-ঙা কয়াসু ফাদুনা লাক্লবা, জিবা কয়াবুসু শরাক তমদুনা ফা-ফাদুনা চারম্বগী থৌওং অদু উরকপদা ইনিংথৌদা মীয়াম পুম্বনা খাগী লৈপাক্কী শাহিং চাবা মোইদনা হিংচাবা লাক্লে হায়দুনা তমজরম্মী। য়াব্রা অদু তাবদা লৈবাক্কী নিংথৌ ওইরিবা মোংয়াম্বনা ফম্নাইবা পূম্নমকপু সনা কোনুংদা কৌখত্তুনা মীয়ামদা য়াব্রা অসুম্না নোংদমখি।

লৈপাক অসিদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা থৌদোক ব্রাথোক অমা মমিৎমক্লা উদুনা মীয়াম পুম্বনা নিংথৌ ঐগী ফম্বাল নাক্তা ব্রাকৎলরে। কংলা নোংপোক থোঙদগী চঙলক্লিবা হিংচাবা অসিনা শাহিং ঙাহিং চাবতা নৎতনা মীয়ামদা ওৎপা নৈবা চম্থরকপনা মীচম মীয়ামসু মীপাইনরে। য়াব্রা অমনা নোংমদি সনা কোনুংদা মোইদনা হিংচাবনা খোঙদোইরক্কনি হায়বসু মীয়াম পুম্বগী পাউতাক পুম্বা নিংথৌ ঐহাক্লা তারে। করি করম তৌরগা শাহিং চাবা হিংচাবা অসিবু কংলৈপাক অসিদগী মহাক্কী লৈফমদা হনহলখিগদগে। ফম্নাইবা পুম্নমক তানসি হায়দুনা নিংথৌ ঐনা কৌখৎচবনি।

লাল্লোয় হঞ্জবা লুব্রাং পেনচিবনা ইনিংথৌদা য়াব্রা অসুম্না হঙ্গৎচখি। হন্দক নোংপোক থোঙদগী চঙলক্লিবা শাহিং চাবা হিংচাবা অসি হেক্তা হনখো হায়দুনা তান্থোকপা য়াগদবা মান্দে ইনিংথৌ। মহাক্কী অনিংবা অপাম্বা অমদি শোইদনা লৈরমগনি। শা অদুবু মফম অমদা কৌদুনা মহাক্কী অপাম্বা অদো খঙদোকপা ফগনি হায়না পেনচিবনা ইনিংথৌদা হঙ্গৎচখি। নিংথৌগী কোনুংদা তিল্লিবা ফম্নাইবশিং অমদি মীয়াম্নসু মদুনা ফগনি হায়দুনা নিংথৌগী মফমদা হঙ্গৎচরে। লুব্রাং পেনচিবনা য়াব্রা অসুম্না মখা তারকই।

শা অসি মীরোন খঙবা শানিদো ইনিংথৌ। মবুধি মরৌশিং লৈবতা নৎতনা মী ১০০গী মপাঙ্গল কনবা শাহিং চাবা হিংচাবনি। মদু নোংদুদা ইনিংথৌ ইবুংঙো মোংয়াম্বনা লৈবাক্কী ফম্নাইবা, মীয়াম পুম্বদা শা অসিগী শারম ফাৎলো, মহাকপু কৌরসি হায়না নোংদম য়াব্রানা লৈবাক্কী মীয়াম ফম্নাইবা কয়ানা থৌরম থৌদা পুংদুনা শা অদুগী খোঙ্গুল লিদুনা থৌপাংবা হৌখি। মীরোল খঙবা শাহিং চাবা হিংচাবগী নাক্তা য়ান্নবা মীয়াম্না লাকপদু উবদা শাহিং চাবগী থম্মোয়দা খল্লি। করি করি হায়নিংবা লৈবনা ঐগী নাক্তা লাক্লিবনো হায়না নোক খেদুনা থওই উশিত্তবা মতৌ উত্তুনা খোং-লাউদুনা তৌবা মতৌদুদা মীয়াম কাইদুনা চেল্লম্মী।

মোইদনা হিংচাবদা অকি-তুংজুং পোক্ত্রবা ফম্নাইবশিংনা শা অদুদা লাওরকখি। নহাক্লা পাম্বদো করিনো হায়না হংলম্মী। শাহিং চাবনা ঐদি করিসু পামদে। নোংমগী চাক কাংপোৎ অমগা মী হীপোৎ অমা ঐহাক্কী চিঞ্জাক ওইনা পাল্লি নাইনা পীগদবনি হায়না শাহিং চাবগী অপাম্বা অদো ফোঙদোকখি। য়াব্রা অদু ফম্নাইবশিংনা তারবদা য়াব্রা অসুম্না হিংচাবদা হায়খি। অদু ওইরবদি লৈবাক অসিগী মপুরেন্দা নহাক্কী চিঞ্জাক অদো নোংমগী পাল্লি নাইদুনা পীননবা ইনিংথৌ ইবুংঙোদা হঙ্গৎলুরগে হায়দুনা ফম্নাইবশিংনা সনা কোনুং তান্না চৎখি। ব্রারম পূম্নমক ইনিংথৌ ইবুংঙো মোংয়াম্বাগী ফম্বান নাক্তা চঙদুনা ফম্নাইবশিংনা হঙ্গৎচখি।

ইনিংথৌ ইবুংঙো মোংয়াম্বনা ফম্নাইবশিংগী য়াব্রা তারবদা অচম্বা শাহিং চাবা হিংচাবা নৎতে হায়না খঙজখি। ফম্নাইবশিংবু য়েংলগা ইনিংথৌনা হায়রকখি। তাবীয়ু ফম্নাইবা পূম্নমক শাহিং চাবা হিংচাবা অসি হেক্তা ফাবা, মহাকপু লোইশিনবা হায়বসে অরাইবা থবক্তি ওইরোইদৌরি। ঐগী লৈবাক অসিগী নুঙ-পান খঙবা ঙম্বা ইপূ মাইচৌ অপোই মচা সনা কোনুংদা লাক্লনবা পাউথাংলোই অমবু থাবীরো। ফম্নাইবনা হায়দুনা ইনিংথৌনা সনা য়াথং পীখি। থিন্থবা কৌবা লৈতনা মাইচৌ অপোই মচানা সনা কোনুংদা খোঙদোইরক্তুনা ইনিংথৌদা য়াব্রা মপাউ কোক নোঞ্জনা হঙ্গৎচখি।

লৈবাক্কী করম্বা অরুবা সনা য়াথং লৈবনা ইনিংথৌনা নপূ ঐবু কৌবীবনো হায়না মপূরেন্দা হঙ্গৎলবদা ইনিংথৌনা ইপূ মাইচৌ য়েংলগা য়াব্রা অসুম্না নোংদমখি। শাহিং চাবা হিংচাবা কংলাগী নোংপোক থোঙদগী চঙলক্লিবা শা অসিগী ব্রারম পূম্নমক অদো ইপূ মাইচৌগী মফমদা হঙ্গৎচখি। নিংথৌনা ব্রারম পূম্বা মাইচৌনা খঙলবদা করি শানো, করিগীদমক মহাক কংলৈপাক অসিদা খোঙদোইরক্লিবনো হায়দুনা ওইথংবা খূৎশা মঙা তিংথোক্তুনা মাইচৌনা মপূগী মীংখৈ শোন্দুনা শা অদুগী মীরেনবু কৌশিন্দুনা য়েংলম্মী। ঙৈহাক লৈরগা মাইচৌনা ইনিংথৌদা হঙ্গৎলি। লৈবাক মপূরেন নিংথৌব-ও। অচম্বা শা নৎতে। মানা তৌগে হায়বদা তৌবা ঙম্বা শাহিং চাবনি। হিংচাবা অসি মহাক্কী লৈবাক্তা হনখো হায়বসু য়াগদবা নৎতে। মহাকপু করি করম তৌরগা মায়থীবা পীসিগে, থৌরাং পূম্বা তৌবিরো হায়দুনা ইনিংথৌদা মাইচৌনা হঙ্গৎচখি।

লৈবাক নিংথৌ মোংয়াম্বনা মীয়াম পূম্বা অমদি ফম্নাইবশিংদা হয়েং ইনুং ঙানবদা লৈবাক নিংথৌ ঐহাক্লা শাহিং চাবা হিংচাবগী শকওং লৌরিবা মহাক্লা-ঐহাক্লা লান্থেংনগনি। ঙল্লগনা মহাক্লা ঐহাকপু থব্রায় লৌখিসনু, ঙমদবা মতাং থোক্লগনা ঐহাক্লা মহাক্কী য়াইবী থব্রাই লৌগনি। হৌজিক্তি মীয়াম পূম্বা সনা কোনুংদগী নয়ুম নব্রাংয়াইদা হনব্রাইরো। নখোয় পূম্বসু হয়েংগী শাথেংনবা অসিদা য়েংগদবনি হায়দুনা ইনিংথৌ ইবুংঙোনা তাকপিরে। নুমিৎ অদুগী অথেংবা অহিং তাংলৌদা "কংলাগী থেল্লোন ফম্বান নাক্তা" চত্তুনা মীচিক মীরাওখোন তাদ্রবা মতমদা "তা খৌবোম্বা থাঙ খাংসু নহা" অপোই মচানা ঈরাৎ থৌনি তৌদুনা "ইবুধৌ পাখঙবগী" মফমদা নিজরম্মী।

ইনুং ঙাল্লবদা শা অদুগী মনাক্তা থিন্থবা কৌবা লৈতনা চৎলম্মী। ইনিংথৌ মোংয়াম্বা লাক্কনি খঙনবা শাহিং চাবা হিংচাবা অদুনা ইনিংথৌবু "নিতাইপাৎ চুথেক ফমলেন"দা ঙাইদুনা লৈরমখি। নিংথৌগী মতৌ উবদা হিংচাবা অদুনা মখোঙ থিন্দুনা করেম কথাইনবা, ঙরং-ঙরং ঙংদুনা উশিত্তবা মতৌদু উৎলকই। ইনিংথৌ ইবুংঙো শাহিং চাবগী মতৌদু উবদা অথোইননা হেন্না অশাওবা পোকখি। হিংচাবা অদুগা ইনিংথৌগা মুক্নরবা মতুং ইবুধৌ পাখঙবগী থৌজাল ফংলবা ইনিংথৌগী মতিক ময়াইনা অকিবা অমত্তা পোক্তুনা থাঙ-তা অনীনা হিংচাবা অদুবু কন্না লাকশিন্নবা ইনিংথৌনা থৌওং কয়া থৌশিল্লম্মী। ইনিংথৌগী মমাঙদা লেপ্পা ঙমদ্রদুনা হিংচাবা অদো কোইচেন চেন্দুনা খাংজরম্মী। ইনিংথৌ মোংয়াম্বনা হিংচাবা অদুগী পাঙ্গল লোইরে খঙলদুনা মহাক্কী মকোক অদো থাঙ খাংসু নহানা লুরেন লৌদুনা থবাক ঈরম ফাৎতুনা লৈমাইথক্তা তাখি।

ইনিংথৌনা মনাই-মশেন কৌশিন্দুনা মোইদনা হিংচাবগী লুরেন, মশা-শারুং পূম্নমক খোমজিন তাশিন্দুনা "কংলাগী ব্রাংলেন থোঙ" মনাক্তা ফুম্মুনবা ইনিংথৌনা সনা য়াথং পীখি। ইপূ মাইচৌনা য়াব্রা অসুম্না নোংদম্লকই ইনিংথৌনা। অচম্বা শাহিং চাবা হিংচাবা নৎতবনা ইপূ মাইচৌ য়াওবীয়ু। থৌরম থৌদা পূম্নমক তুংগী মীরোলগীদমক য়েংদুনা ইপূনা থৌ পাংবিয়ু। পোইরৈ মৈতৈ লৈবাক্তা মহাক্কী মচা-মশু পূম্বা শাহিং চাবগী খোঙ্গুল লিরক্তনবা "নুঙ্গোইবী শরেনুংদা হিংচাববু চনশিনবীয়ু"। শাহিং চাবগী লম্বেন পনলান্দবী তৌবীদুনা মহাক্কী পোৎলম চৈরম পূম্নমক ইনাই-ইশেন লোইনদুনা কংলাগী নোংপোক থোঙ —

লাংকু মৈরেন মৈশিংকোন, হৈরেন পাউথা লিরুক্কুং, ঈচিক নুবী লোকমাং থেন, হিংচাবগী লিরেন লিক্লম লৈববু ইপুনা মশক খঙনা নোংপোক থোঙগী চীদাই ঙমলেন্দা থোঙ থিংবীয়ু। শাহিং চাবা ঈরেন্দা ঈখোঙ য়াইদা ঈথিংবীরম্মো। সনা শোঙ্গৈ লাংপুম্না হিরি কোন্না কোনশিনবীয়ু। থোঙলোন ৯ মতাইনা থোঙ থিংবীয়ো হায়না লৈপাক নিংথৌ মোংয়াম্বনা ইপু অপোই মচাদা নোংদমখিএ। ইনিংথৌগী সনা ময়াথংনা মনাই মশেন পূম্বগা হিংচাবগী লুরেন-চাউরবা মশা শাহৌ লৈরোন লৈথাং-তরেৎ-তা নুংঙৌ য়াংওই লাংশিংনা, হুইরেন মাবু লাংকুনা, মনাই মশেন পুম্বনা শাহিং চাবগী হকচাং অমদি লুরেন কোকলেন অদো কংলা মনুংদা নুঙকোইবী শরেন লাংকোই তৌদুনা লাইব্রা-তিনব্রা হায়দুনা থৌরম থৌদা মপাংখি। ফমলেনন্দি-কংলা ব্রাংলেন থোঙ নুঙকোইবীদা ফুমখিএ। অসিনসু মদোমদে ----

ইনিংথৌগী ময়াথংনা শাহিং চাবা হিংচাবা হিংচাবী কয়ানা পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক অসিদা অদুক হন্না চাক্তাদুনা খোঙদোই হুল্লক্তনবা, শাহিং চাবগী মমি লৈতনবা হায়দুনা তম্বা নুপা ১৭ পুদুনা নোংপোক থোঙগী মরম লমলেন মদাইমা, চীংশা কোন্দি হিরিরেন, হিংলোই য়াংবা খিংকারেন, চীংশাং কোন্দা মখোয় ১৮না খোঙশাল্লকপ্না ঈরেন খোঙ কয়া লান্না নুমিৎ শিংকুম ৩নি শুবদা নোংপোক থোঙগী য়াইচন ফমলেন য়ৌরবদা মাইচৌবনা মাইকৈ ওন্না য়েংদুনা মফমলেন ওন্নখিনি, মফম অদো চুম্ব্রা হায়দুনা লৈব্রা তেনসু হৈবনা তেনকাপ নাউহুই লঙতাইএ। সনা তেঞ্জৈ নাবুংবীনা ফমলেন শেংনা মতাকএ।

ফমলেন অদুদা সনা য়োৎচৈ কারন লৌ, নাউহুই লাংকু মৈরোনবীনা লাংকোন চন্না শাহিং চাবা অমুক হন্না লাক্তনবগী লম্বেন্দো শারম ৭ পীদুনা তাউদা-উদা হক্তুনা নুংবী নূংনাও হৈরেনখিবা ব্রাবু লাংকু মৈরেন খমওইবীনা খমলেন য়াংনা মতাইএ। সে-সে শারম ৭ মতাইএ। নোংখৌ লীক্লাং শিবিগে নথৌ পুংলেন খনবীগে। শামু নমাই ওনফরোইএ। চী-চী খমলেন কোক, ঈতাই নংফু খাংওইবীও, ননিং নমাং চাককোইবী, লাংকোই খঙনা মতাইবী, সে-সে থৈরেন ব্রাংবী তোলোইবী, পোইরৈ সৈনাং মৈথাংনে, মৈথাং নাইনা মৈবাবু মৈচিং-নাচিং হৌনদে, সে-সে লাইব্রা অসি হায়দুনা ইপু অপোই মাইচৌবনা মনাই মশেন ১৭ কা লোইনদুনা নোংপোক থোঙগী শারম অসে থিং-থিং থিংলবনে।

মীরোন শুনা থিংলবনে। লাইব্রা নোংখৌ পালোইসে। পাখঙবা ঈথাংলোইনা মতাইননা থিংলবনে। থেংগোই য়াংনা মতাইএ। য়াংচু খঙলোই শাখোঙ-ও, থিং-থিং মথিংএ। নূংবী শারেন মৈপাকপি, মৈব্রা হৌনা মৈচাকএ। খিংলোই য়ুম্বী নোংখৌএ। পাখঙবা সনা থেল্লোন য়াংবী উরেপ তুমদ্রিএ। সনা উরেপ লৈরিঙৈ নহাক অমুক লাকফরোই। লাইব্রা অসি হায়দুনা নোংপোক থোঙগী সনা য়াইচনখিএ হায়বা ব্রাবু নিংথৌ শিংকক্, মতমগী খোঙলৈ তাকপা পুয়া লাতম ১৮, ৫৬, ৭২, ১১১না নোংদমখি।

ইনিংথৌ মোংয়াম্বনা লৈপাক মীয়ামদা য়াব্রা অসুম্না নোংদমখি। অসিগুম্বা শাহিং চাবা, মপাঙ্গল কনবা মখোয় অসে পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্তা চঙলকপা তারবদি - মখোয়বু অহানবদা থেমজিনবীগনি। কনানসু মখোয়বু মায়থীবা পীবা ঙম্লোই। কনাগী মতেংনা ঐহাক্লা কংলাগী নোংপোক থোঙদগী চঙলকপা শাহিং চাবা হিংচাবা মোইদনাবু মায়থীবা পীবনে। ঐহাক্লা ময়ামগী মফমদা নুংগী ব্রাবু নোংদমজগে। ইপুথৌ পাখঙবা খোয়ুম মহাক্কী থৌজাল অমদি ইপু অপোই মচাগী থৌখাইনা ঐহাক্লা থৌরম থৌদা অদো পাংজবা ঙমখিবনে হায়না ইনিংথৌনা খঙহনখি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৬

১। মণিপুরী পুব্রারীদা হৈক্রু হিদোংবা হায়বসি য়াম্না চাউনা হিয়াং কুম্মৈগা লোয়ননা পাঙথোক্লি।
   (ক) করম্বা নিংথৌ হাক্তক্তগী কুম্মৈ অসি চম্থরকপগে?
   (খ) তেংমায় লেপ্লিবা মীওই অনীদুনা শিরিবা চেং পরেং, হৈক্রু পরেংশিংদু চেং, হৈক্রু মশীং কয়া কয়ানো?
২। "চাউবসু কবিনি হায়বদা কনাসু য়েৎলোই। অদুবু কমলগা ফম্মিন্নবদদি য়েংবা নুংঙাইতে।" ব্রাফম অসি কবি চাউবগী মতাংদা অইবা অমনা হায়রিবনি। অইবদু কনানো?
৩। "করিসু নত্তবা থবক্তা আ য়ৌশিন্না খঞ্জবা অসি ঐগী হৈনবীনি। অদুননি ঐনা ব্রায়ার হেক হেক তৎলিবসি।" ব্রাহৈশিং অসিনা অইবা অমনা মশানা ইবা 'নোংলৈ অমসুং চা কপ' হায়বদুদা হায়রিবনি। ব্রারীমচা ইবদু কনানো?
৪। "পোলিটিকেল ওইবা ইসু অমবু মমায় খজিক লৈথোক্তুনা আর্টিষ্টিক টর্ন অমদা পুরকপা হায়বসি তরায়-তরায়বা খোরিরোলগী খূথা নত্তে। খোঙফম খজিক শোয়বদা কৈশুমশঙদা ফাদোক তাবা য়ারিবনি।" ব্রারোল অসিনা অইবী অমনা নহা অইবশিংদা চেকশিন-ব্রা হায়রিবনি। অইবী অদু কনানো?
৫। 'ঈপোম বাবু: পুন্সি অমসুং থবকশিং' কৌবা পুন্সি ব্রারী লাইরিক্তুগী অইবদু কনানো?

*মথক্তা পীরিবা ব্রাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল* **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** *সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ব্রাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।*

**মমি ব্রারী**

## হোনবিল ফেষ্টিবেল ২০১৮ (নাগালেন্দ) । টুসার নোংথোম্বম











*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ব্রারেংশিং অসিগী ব্রাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ব্রাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।*